## ইন্সপেক্টর সুধিরকুমারদা শেলগী রিৱার্দ পীগদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মনুংদা লৈবা পুলিস ষ্টেসনশিংগী মনুংদগী সিটি পুলিস ষ্টেসননা চৎলিবা কুমজা অসিগী খ্বাইদগী ফবা পুলিস ষ্টেসন ওইনা খনবদগী পুলিস ষ্টেসন অসিগী ওফিসর ইন চার্জ ওইরিবা ইন্সপেক্টর এম সুধিরকুমার মৈতৈদা লুপা ১৫০০গী শেলগী রিৱার্দ পীননবা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী এস পিগী মায়কৈদগী সেঙ্কসন তৌখ্রে।

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 89.915009 |
| US Dollar | 73.233647 |
| British Pound | 99.626551 |
| Australian Dollar | 56.178403 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.224515 |
| Japanese Yen | 0.710150 |
| Malaysian Ringgit | 18.142355 |
| Singapore Dollar | 55.295430 |
| South Korean Won | 0.067378 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.528973 |
| Thai Baht | 2.446124 |
| Myanmar Kyat | 0.05490 |
| Bangladesh Taka | 0.86365 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 50007.00 |
| Mumbai | – | Rs | 50010.00 |
| Delhi | – | Rs | 49959.00 |
| Kolkata | – | Rs | 50255.00 |

**GAS NEWS**

**IMPHAL LPG SERVICE**
home delivery
**Booking 26/12/20**
Summit house no. LPG ID no Address with land mark also digital transaction and online payment encouraged
5.kg 19.kg available
Enquiry numbers - 6009392991, 8014389420, 9612718751
Enquiry time 8.30 to 1.pm
Please do not contact driver and handy man except office no i.e. office no

**MAHALAKSMI INDANE GAS**
**BK. UPTO 10-12-2020**
valid from 15-11-2020
Home delivery only
Cont. Timing - 8 am to 11 am.
For Office plz cont. # 9862312969 # 8414929709,
For home delivery plz cont. 8414944010, 7005573790, 9366735870,
Booking : After 15 days from delivery

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO : 10/12/20**
VALID FRROM 01/12/20
19kg & 5kg UJJWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
KWAKEITHEL 9774616525 , 6909634960 & 8794191632
NAOREM LEIKAI 7005210401 & 7005352782
TIMING : 08.00 to 11.00am

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM to12:00 Noon
**BOOKING : 25. 11.20**
VALID : 21.11.20
FOR ALL THANGMEIBAND, LAMPHEL 7628098544 8131852580, 8787630773 9089370369
FOR ALL WAHENGBAM LEIKAI, KEISHAMPAT, KEISHAMTHONG, KHAGEMPALLI, KWAKEITHEL, GHARI, SANGAIPROU, CHANGANGEI, MALOM, YAISKUL, SINGJAMEI, KAKWA, HEIRANGOITHONG, HAOBAM MARAK, PISHUM,MONGSANGEI, LANGTHABAL, SAGOLBAND, TAOBUNGKHOK, PATSOI, YUREMBAM, SAGOLTONGBA, LANGJING, SALAM, LANGOL URIPOK, SINGDA, LAMDENG, AKHAM, MAYANG LANGJING 8131942156, 7630902992, 7627968997
FOR IMPHAL EAST AREA 7005281388, 6009885600
FOR OTHERS AREA 9612009063, 7628094160
DELIVERY WITHIN 3 DAYS

**M/s K&K INDANE SERVICE**
Booking upto sl.no.250 A&B of 04/12/2020
Valid from : 30/11/20
Time 7.30 to 11am

**Tanglei gas Oinam**
V/f- 12-12-20
**B/upto - 18-12-20**
**Stock : 306**
7am to 10am

**TDK GAS**
**BK. UPTO : 27/10/20**
VF. : 24/10/20.
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT NOS : 6909614353/8731992324

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 05/12/2020
**BOOKING UPTO: 08/12/2020**
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING: 8:00 AM to 12:00 PM

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-- 26-11-2020**
VALID FROM 18-11-2020
**STOCK : 306**
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

**MAIBIA GAS MOIRANG**
**BOOKING UPTO : 14/11/2020**
VALID FROM : 12/11/2020
**STOCK= 612**
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1.DILIP - 9612883295 (MOIRANG A/C). 2. AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3. AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C). BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON

**MANIPUR GAS SERVICE**
**Booking up to : 08/12/2020**
Valid from 18/11/2020
Home Delivery Only....
Contact no: 8730954041, 8259969582
Office Timing: 8 amto12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS

# দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রোনা মহাক্কী তোলোপতগী অহল ২০০দা ওল্ড এজ পেন্সন য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): ময়াং ইম্ফাল এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী দেপ্যুটি স্পিকর কোংখাম রোবিন্দ্রোনা মহাক্কী থাগী তোলোপতগী এ সী অসিগী মনুংদা লৈরিবা ষ্টেট লৈঙাক অমসুং সেন্টরনা পীবা ওল্ড এজ পেন্সন ফংদ্রিবা মশাগী চহী ৬০ হেল্লবা অহল ২০০দা থা ৪গী ওল্ড এজ পেন্সনগী শেনফম খুৎশিন্নখ্রে।

ময়াং ইম্ফাল থানা অৱাং লৈকায়দা লৈবা এম এল এ অসিগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা ওল্ড এজ পেন্সন য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী মনুং চন্না লৈবা বেঙ্গুন লৌকোক অমসুং ৱাংবনগী পোল্লিং ষ্টেসন ২৩/২০দগী হৌরগা ২৩/২৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অহল ওইরবা মীওই ২০০দা ওল্ড এজ পেন্সনগী শেনফম অদু য়েন্থোকখিবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা দেপ্যুটি স্পিকর কোংখাম রোবিন্দ্রোনা হায়খি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পীবা নেসনল ওল্ড এজ পেন্সন অমদি ষ্টেট লৈঙাক্না পীবা ওল্ড এজ পেন্সন



ফংদ্রিবা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী মনুংদা লৈরিবা অহল ওইরবা কয়াদা মহাক্না ফংলিবা থাগী তোলোপতগী অঙন্বা মতেং ওইনা পেন্সনগী শেনফম অসি পীবনি। পেন্সনগী শেনফম পীবা অসি বি জে পি ময়াং ইম্ফাল মন দলগা খুৎশম্নদুনা পায়খৎপনি। ঙসি ফাওবদা এ সী অসিদা চহী ৪ রোম এম এল এ ওইনা লৈরকপদা এ সী অসিগী মীয়ামগা তান্নরগা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। হীরম কয়াদা শোখনা লৈরল্লবা ময়াং ইম্ফাল এ সীবু চাউখৎপা এ সী অমা ওইহন্ননবগীদমক অঙন্বা থাক্তা হোৎনদুনা লাক্লি।

কুমজা ২০০৮-০৯দা এ সী অসিদা থবক পায়খৎপদি হৌরম্লগা লোইশিনবা ঙমদনা মতম শাংনা লৈরকখিবা ময়াং ইম্ফাল ৱাটর সপ্লায় স্কিমসু হৌজিক্তি শেমগৎ শাগৎপগী থবক পুন্নমক লোইশিল্লে। অথুবা মতমগী মনুংদা শঙ্গাবগী য়াবগী ফীভমদা লৈরে। কুমজা ২০২১গী মার্চ থা ফাওবগী মনুংদদি ময়াং ইম্ফাল ৱাটর সপ্লায় স্কিম অসি শঙ্গারগনি।

মহাক্না হায়খি, লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামদা থক্লবা অফবা ঈশিং ফংহন্ননবা হোৎনগনি হায়খিবা অদুগী শরুক অমা ওইনা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী মীয়ামদসু থক্লবা অফবা ঈশিং ফংহন্ননবগী থৌরাং পায়খৎলি। এ সী অসিগী মফম শিনবা থুংনা পাইপ তিংদুনা য়ুমথোঙ খূদিংদা অথুবা মতমদা ঈশিং ফংহন্নবগী থবক পায়খৎলগনি।

ময়াং ইম্ফাল এ সীগী লম্বী খূদিংমক অফবা লম্বী ওইহন্ননবা কোয়লাস থাদুনা শেম-শাবগী থবকশিং কন্না চথরি। হৌজিক হৌজি কমকসু ময়াই লম্বী হায়না খঙনবা ময়াং ইম্ফাল ফাওরগা চৎলিবা হায়ৱে অসি কোয়লাস থাবগী থবক চথরি। ৱাৎহৌরিবা লম্বীশিংসু কোয়লাস থাদুনা মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লহন্দনবা হোৎনগনি। এ সী অসিদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎলকপদা পোলিটিকেলগী অখুবা মীৎয়েং থম্নগুমসি। মতেং ওইনা পাংনসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ময়াং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর ১১গী কাউন্সীল্লর এম দি রাহুল খান অমসুং বি জে পি ময়াং ইম্ফাল মন্দলগী থৌ পুবশিংসু শরুক য়াখি।

## নসা মুক্ত ভারত কেম্পেনগী মখাদা মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): নসা মুক্ত ভারত কেম্পেন (এন এম বি সী), থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মখাদা সব-দিষ্ট্রিক্ট লেভেল মীটিং অমা থৌবালগীদমক দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সব দিভিজনেল ওফিসরগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

মীটিং অসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সব দিভিজনেল ওফিসরনা চ্যেরমেন ওইদুনা ঙসি মহাক্কী ওফিসতা পাঙথোকখিবনি। হায়রিবা মীফম অসিদা আই আর সী এগী রিপ্রজেন্টেটিভশিং, এক্স সর্ভিসমেনশিং, নেহরু য়ুব কেন্দ্র (এন ৱাই কে), আই সী দি এস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লৈঙাকসিগী লোইশঙশিং ওইরিবা পুলিস দিপার্টমেন্ট অমদি এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী মীহুৎশিং, ব্লোক লেভেল কম্মিটি থৌবালগী মেম্বর পুম্নমক য়াওনা পূন্না মেম্বর ১২না শরুক য়াখি।

ঙসিগী মীটিং অসিদা সব দিভিজনেল ওফিসর থৌবালগী মায়কৈদগী খুন্নাই অসিদগী ময়াই কাবা দ্রগশিং মরূ ফংনা ফুকতোকখিনবা হোৎনবদা নাকল অমখক্তনা নৎত্রগা লন্নাই মীওই অমনা অমসুং লোইশঙ অমখক্তনা হোৎনবনা মহয় য়ানবা ঙম্লোই হায়রদুনা মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা পুম্নমক্কী মায়কৈদগী মপূং ফাবা কোওপরেসন অমসুং কোওর্দিনেসন পীবিনবা পূক্নিং চিংশিনখি।

মহাক্কী মায়কৈদগী ময়াই কাবা দ্রগশিংনা শোকহনবগী মতাংদা স্কুলশিংগী ক্লাস রুমশিংদসু মসিগী ৱাখল্লোন লৈহন্নবগী অপান্বা ফোঙদোকখি। হায়রিবা স্কুল লেভেলগী থাক্তসু ময়াই কাবা দ্রগশিংগী মতাংদা খঙহনবনা খুন্নাই অসিগী তুংগী মীরোলদা অফবা মীওই অমমম ওইহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংগনি হায়খি।

মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী সব দিভিজনেল পুলিস ওফিসর (এস দি পি ও) গী মায়কৈদগীসু নসা মুক্ত ভারত কেম্পেন কম্মিটি, থৌবালনা লৌখৎলকপা এন্টি-দ্রগ কেম্পেন পুম্নমক্তা মপূং ফাবা কোওপরেসন পীগনি হায়খি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সোসল ৱেলফেয়র ওফিসর এ কামেশ্বরনা মীফম অসিদা শরুক য়ারদুনা হায়, নসা মুক্ত ভারত কেম্পেন কম্মিটিনা তোঙান তোঙানবা এক্টিভিটিশিং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোক্তুনা লাক্লি অমসুং মসিনা মরম ওইরদুনা ফংনীংলিবা পান্দমশিং অদুসু ফংবা ঙম্লি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, নহারোলশিং অমসুং চহী নৌরিবা টিনেজরশিংগী মরক্তা এন্টি-দ্রগ কেম্পেন অসিগী মতাংদা এৱেয়র্নেস পীনবগী তঙাইফদবা লৈরি হায়বগা লোয়নবা দ্রগ এব্যুজদগী অহানবা ওইনা ঙাকথোক্লবগীদমক নহারোলশিং অসিগী মমা-মপা ওইবশিংদসু এৱেয়র্নেস অসি পীগদবনি। লোয়ননা হান্নদগী দ্রগশিং শীজিন্নদুনা লাক্লবা নহারোলশিং ওইরগনা আই আর সী এশিংদা রিফর তৌগদবনি হায়খি।

## কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মায়োক্লরবসু লম্বীগী এক্সিদেন্টশিংদা মীওই ১৪০ রোমগী পুন্সি মাঙহনখি

লাইশ্রম বিজয়

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): লোইশিল্লক্লবা কুমজা ২০২০গী অপূনবা থা মশীং ১২গী মনুংদা শুপ্ন তগী জন্যুৱারী অমসুং ফেব্রুৱারী থা অনীখক হৌখ্রবা মতুং অহুমশুবা থা ওইরিবা মার্চতগী হৌনা পিল্লবা ষ্টেট অসিদসু মালেম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা নোভেল কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) পেন্দমিক্কী মৈশা ফংবা হৌরকখ্রবসু ঙসি ফাওবগী মনুংদা থোকখিবা লম্বীগী এক্সিদেন্টশিংদা নুপী অঙাং য়াওনা পূন্না মীওই ১৪০ রোম লৈখিদবগা লোয়ননা মীওই ১২০ লোমনা থৌদোকশিং অদুদা অশোক অপন নংখি।

পাউচে অসিনা ষ্টেট অসিগী মরু ওইবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুটশিং ওইবগী মথক্তা অচৌবা লায়েংশঙশিংসু ওইরিবা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) অমদি জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) তগী খোমজিল্লকখিবা রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না লোইশিল্লক্লবা চহী অসিগী ঙসি ফাওবদা থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথিবশিং মায়োক্লখিবা মীওইশিং অসিগী মশীং ফংলকপা ঙমখিবনি।

রিপোর্টশিং অদুগী মতুংইন্না কুমজা ২০২০ অসিগী জন্যুৱারী থাদা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোকখিবা মখল কয়াগী লম্বীগী খুদোংথীবা এক্সিদেন্টশিংদা মীওই ২৫ শিখি হায়রি।

অদুগা থংনবা ফেব্রুৱারী থাদনা মীওই ১৮ লোমগী পুন্সি মাঙহনখি। লোয়ননা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ য়ৌরকখিবদগী হৌজিক ফাওবা লায়না অসিগা লাপথোক্লদ্রিবা মার্চ থাদনা মীওই ১৭ লোমগী পুন্সি লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিংদা লৈখিদে হায়রি।

অদুম ওইনমক ষ্টেট অসিনা পেন্দমিক অসি মায়োক্লরকপদগী মার্চ থাগী অরোইবা শরুক্তগী টুটেল শটদাউনগী অথিংবা থমজিল্লক্তুনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা হৌরকখ্রবা মতুং এপ্রিল থাদদি শুপ্নতগী মীওই ৪ খক্তমক গাড়ী এক্সিদেন্টনা মরম ওইদুনা মপুন্সি মাঙহনখি।

থংনবা মে থাদনা মীওই অমগী মশীং হেনগৎলক্তুনা লম্বীগী এক্সিদেন্টশিংদা শিখিবা মীগী মশীং ৫ শুরকখি। লোয়ননা থংনবা মথংগী থাশিং ওইরিবা জুন অমসুং জুলাই থাদদি মথং মথং লম্বীগী এক্সিদেন্টদা শিখিবা মীওইশিংগী মশীং অমমম হেনগৎলক্তুনা জুন থাদা মীওই ৬কী পুন্সি মাঙহনখ্রগা জুলাই থাদনা মীওই ৭কী পুন্সি মাঙহনখি। ওগষ্ট থাদসু অসিগুম্বা লাইবক থীবা থৌদোকশিং অসিদা শিবা মীগী মশীং অমুক্কসু হেনগৎলক্তুনা ওগষ্ট থাদা মীওই ৯ শিহনখিবগা লোয়ননা সেপ্টেম্বর থাদা মীওই ১১গী পুন্সি লম্বীদা থোকখিবা এক্সিদেন্টশিংদা শিহনখি।

হায়রিবা থৌদোকশিং অসিদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মশীং ১১দা হেনগৎলম্লবা মতুং ওক্টোবর থাদনা ১০ খক্তদা হন্থরকখি। অদুবু মমাঙ থা নবেম্বরদদি অমুক হন্না হেনগৎলক্তুনা থা অসিগী মনুংদা থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোকশিংদা শিহনখিবা মীগী মশীং ১৫দা হাইগৎলকখি।

লোয়ননা হয়েং লোইরগদবা কুমজা ২০২০গী ঙসি ফাওবগী মনুংদা থোকখিবা মণিপুরগী লম্বীগী এক্সিদেন্টশিং মায়োক্লখিবা থৌদোকশিংগী মনুংদগীনা মীওই ১৩গী পুন্সি লোমহনখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা কুমজা ২০১৮দা লমদমসিগী ওইনা লম্বীগী এক্সিদেন্টদা মীওই ১৮২গী পুন্সি লোমহনখিবনি অদুগা অশোক অপন নংহৌরবা মীওইশিংগী মশীংনা ১৫০ ওইখিবনি। মমাঙগী কুমজা ২০১৯দনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিংদা মীওই ১৬১গী পুন্সি মাঙহনখ্রগা অতোপ্পা মীওই ১৪০ রোমনা হায়রিবা থৌদোকশিং অদুদা অশোক অপন নংহনখিবনি।

## দেসামগী ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা পাঙথোকপা মেগা ব্লদ দোনেসন কেম্প লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): দেম্মক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)গী ১৯শুবা ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা হৌখিবা দিসেম্বর ৮দগী হৌনা দেসামনা শীন দুনা মহৈরোয় খুন্নাই অমদি লৈবাক মীয়ামগীদমক কথোক্লবা ঈ হায়না মিংথোন্দুনা চথরকপা ৭৩শুবা মেগা ব্লদ দোনেসন কেম্প ঙসি রিমস, জেনিমস অমসুং শিজ হোস্পিটালদা লোইশিনখ্রে।

দেসামগী হেল্থ এন্দ ইনভাইরনমেন্টকী সেক্রেটরি ওইনাম রোমেশনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ব্লদ দোনেসন কেম্প অসি মালেম শিনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লমদম অসিগী অনা-লায়েংশঙশিংদা লৈরক্লিবা ঈগী অৱাৎপা অসি খরদা ওইরবসু মেনখৎনবগীদমক পাঙথোকপনি। ঙসিগী ব্লদ দোনেসন অসি লোইশিনবা নুমীৎতা ব্লদ দোনর ১৭না ঈ পীখি। থাবুম অমা চুপ্না পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা ঈ কৎপগী কেম্প অসিদা রিমসতা দোনর ৮৩, জেনিমসতা দোনর ৬৪ অমসুং শিজদা দোনর ২৪না পুন্না ঈ য়ুনিট ১৭১ পীখি।

৭৩শুবা মেগা ব্লদ দোনেসন কেম্প অসিবু মপূং ফাহনবীখিবা দোনরশিংবু দেসামগী মায়কৈদগী অৱাংবা থাক্তা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মতুং তারকপা ব্লদ দোনেসন কেম্পশিংদসু দোনরশিংনা অদোম অদোমগী মমল নাইদ্রবা ঈ অদু কৎপীদুনা লমদম অসিবু অনৌবা মায়ওন অমদা পুরকপদা শরুক য়ামিন্নখিসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## লৈখিদবা ৩৫৪ শুরে, ৪১ নৌনা...

*লামায় ১গী মখা...* ২৮,১৩৭ য়ৌরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৪,৭৬০ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩৩৭৭নি। পোজিটিভ ওইরম্বদগী ফগৎলক্লবা কেস মশীংনা ২৬,৬০১ শুরে। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৩,৩৫৪ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩২৪৭নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯৪.৫৪ য়ৌরে। অদুগা কেস ১১৮২না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১০৫৬ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ১২৬ নি। লোয়ননা মীওই ৮০সু নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি।

## মায়া কুকি মিষ্ট্রেস য়ুনিভর্স ২০২০গী...

*লামায় ১গী মখা...*ওইদুনা ওদিয়ন্সনা পীরকপা ভোটতা বেজ তৌরগা খনখিবনি।

মালেমগী লৈবাক কয়াদগী কন্টেষ্টেন্ট ৮৮না চাংদম্লবা অদুদা শরুক য়ারি। নীংশিংবা য়াই মায়া কুকিনা মিষ্ট্রেস ইন্দিয়া ক্বারন্টিন ক্বীন ২০২০গী টাইটল ফংলকখিবতা নত্তনা মিষ্ট্রেস ইন্দিয়া গোজসগী টাইটলসু ফঙখ্রবনি। মহাক হৌজিক-হৌজিক ঝরখন্দগী রাঞ্চিদা আই সী এ আর-আই আই এন আর জি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা এগ্রিকলচরেল সাইন্টিষ্ট ওইরিবা কাকাই মাটেগী লোইনবিনি। মহাক্কী মচা ৩ লৈরে। মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াগী ওইনা মিষ্ট্রেস য়ুনিভর্স ২০২০ খল্লক্লবা মায়া কুকিনা ফোঙদোরকখিবদা ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরক্তুনা মিষ্ট্রেস আইৱা য়ুনিভর্স টাইটল ফঙলকপদা অপেনবা অমদি নুংঙাইবা ফাওই। লোয়ননা সোসল ইস্যু কয়াদা মখা তানা লেপ্তুনা থবক তৌখিগনি হায়খি।

## ওক্সফোর্দ-অষ্ট্রাজেনেকাগী কোভিদ-১৯...

*লামায় ১গী মখা...* কনফার্ম তৌখিবনি। ক্লিনিকেল চাংয়েংশিং লেপ্তুনা চথরকখিবগা লোয়ননা চংয়েংশিং অদুগী দেটা এম ঐচ আর এগী এক্সপার্টশিংনা মপুং ফানা এনালাইস তৌরবা মতুংদা ভেক্সিন অসিবু শীজিন্ননবা অয়াবা পীবগী খোঙথাং অসি লাকপনি। এম ঐচ আর এগী এক্সপার্টশিংনা ভেক্সিন অদু সেফ্টি, ক্বালিটি অমসুং ইফেক্টিভনেসকী ষ্টেন্দর্দশিং ফংলে হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

য়ু কে গভর্ণমেন্টনা ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটি- অষ্ট্রাজেনেকাগী কোভিসিল্ড কৌবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন অদুবু ইমর্জেন্সিদা শীজিন্নবা য়াহন্নবা এম ঐচ আর এনা পীরকপা রেক্কমেন্দেসন য়াখিবা অসিনা ইন্দিয়াদসু ওক্সফোর্দকী ভেক্সিন অসি অথুবদা এপ্রুভ তৌরগনি হায়না থাজনরি। ইন্দিয়াদা ভেক্সিন অসি সেরম ইনষ্টিট্যুট ওফ ইন্দিয়ানা শারিবনি। ক্লিনিকেল চাংয়েংশিংনা ভেক্সিন অসিগী ইফিকেসি চাদা ৭০ ওই অমসুং অকক্লবা কন্দিসন খরগী মখাদা চাদা ৯০ ফাওবা ওইবা য়াই হায়বসি উৎখ্রে। বৃটেননা ফাইজর-বাইওএনটেক্কী ভেক্সিন থা অসিদা এপ্রুভ তৌবগা লোয়ননা ভেক্সিনেসনগী থবকসু হৌখ্রবনি। ফাইজর, মোদর্না, ওক্সফোর্দ অমসুং অষ্ট্রাজেনেকাগী সাইন্টিষ্টশিংনা মখোয়গী ভেক্সিনশিং অদু কোরোনাভাইরসকী অনৌবা ভেরিয়ন্ট থেংনবদা ইফেক্টিভ ওইবনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, সেরম ইনষ্টিট্যুট ওফ ইন্দিয়া, ভারত বাইওটেক অমসুং ফাইজরনা শারিবা কোরোনাভাইরস ভেক্সিনশিং ইমর্জেন্সিদা শীজিন্ননবগীদমক এপ্রুভেল পীবীননবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা হায়জখ্রে। হীরমসিগী মতাংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না খনখিবা এক্সপার্ট পেনেলনা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা খন্নবা হৌখ্রে। লাক্লিবা ইরাই নুমীৎতা অমুক হন্না এক্সপার্ট পেনেল অসিনা হীরমসিগী মতাংদা খন্নখিগনি। এক্সপার্ট পেনেল অসিনা ভেক্সিনশিং অসিবু এপ্রুভ তৌরবা মতুংদা অমুক দ্রগস কন্ট্রোল্লর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া (দি সী জি আই)দগী ফাইনেল এপ্রুভেল লৌগনি হায়রি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): সাইন আর্টিষ্ট এন্দ টেক্নিসিয়ন এসোসিয়েসন মণিপুরগী ফাউন্দর মেম্বর ওইরম্বতা নত্তনা ফাউন্দর ভাইস প্রসিদেন্টকী থৌ পুরম্বা সাপম মোমোননা খঙহৌদনা লৈখিবদগী এসোসিয়েসন অসিনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি কিসন লোংজমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা মণিপুরদা লৈরিবা ফিল্ম ওর্গনাইজেসনশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী লিরবা অমা ওইরিবা সাইনে আর্টিষ্ট এন্দ টেক্নিসিয়ন এসোসিয়েসন অসি লৈখিদ্রবা সাপম মোমোন য়াওনা ফিল্মগী মতাংদা খঙ হৈরবা মীওইশিংনা হৌখিবা কুমজা ১৯৯৭ তা লিংখৎলম্বনি।

লৈখিদ্রবা সাপম মোমোননা লমদম অসিগী আর্ট এন্দ কলচর অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা অকনবা মওংদা হোৎনরমখি। মণিপুর ফিচর ফিল্ম 'মৈরি' য়াওনা অতোপ্পা ফিল্ম খরদসু মহাক এক্টর অমা ওইনা থবক তৌরমখি।

লৈখিদ্রবা অসি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল বোর্দকী চ্যেরমেন ওইনসু থৌ পুরম্মী। মসিদা নত্তনা মহাক তোঙান-তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংদসু মরু ওইবা থৌদাং য়াদুনা লাকখিবা মীওই অমনি। মহাক্না লৈখিদবা অসি লমদম অসিগী ওইনা অচৌবা মাংজবা অমনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু এসোসিয়েসন অসিনা শরুক য়ারি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ন্যু লেবর লোগী মতুংইন্না থবক...

*লামায় ১গী মখা...* নোংমগী শারিবা শেনফম অদুদগী য়ামদ্রবদা দবল পীনবগী থৌরাং তৌরি।

মমাংদা পাউচে কয়াদা নোংমগী থবক শুবগী মতম পুং ১২ ওইরগনি হায়না ফোঙনখিবা ৱাফম অদুগী মতাংদা লৈরিবা চমম্লবশিং অদু কোকহনবগা লোয়ননা অনৌবা চহীনা লাকপদা ন্যু ৱেজ কোদকী মতুংইন্না নোংমগী থবক শুবগী মতম অদু লৈবাক অসিগী ইমপ্লোয়শিংদা ময়েক শেংনা খঙহন্নবা পায়খৎলকপা থৌরাংগী মতুংইন্না ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি। কুমজা ২০১৯দা পাস তৌখিবা ন্যু ৱেজ কোদ পাস লাক্লিবা চহী ২০২১গী এপ্রিল ১দা চৎনবা য়ানা লৈরি। মসিগী মতুংইন্না সেলেরি, বোনস অমদি অতৈ অতোপ্পা নিয়ম মরি অমগসু চৎনহন্নবা থৌরাং তৌরি। নিয়ম মরি অদুদি পেমেন্ট ওফ ৱেজেস এক্ট ১৯৩৬, মিনিমম ৱেজেস এক্ট ১৯৪৮, পেমেন্ট ওফ বোনস এক্ট ১৯৬৫ অমদি ইক্বেল রিমুনেরেসন এক্ট ১৯৭৬নি। লোয়ননা ন্যু ৱেজ কোদকী মনুংচন্না ইমপ্লোয়শিংগী ফংফম থোকপা সেলেরি অমদি সেলেরি মতম চানা পীনবা ৱাফমশিংসু য়াওরি হায়রি।

ফেক্টরি এক্টকী মতুংইন্না লৈবাক অসিদা লৈরিবা কম্পনিশিংদা থবক শুরিবা মীওইশিংবু পুং ৯দগী হেন্না থবক শুহল্লি। অদুবু শিন্মিশিং অদুদা ওভরটাইমগী এক্সট্রা চার্জ পীদ্রি। মসিগী অচৌবা মরম অমনা হৌজিক চৎনরিবা সিষ্টম অসিগী মতুংইন্না কনাগুম্বা শিন্মি অমা মহাক্কী নোংমগী থবক শুবগী মতম অদুদগী য়ামদ্রবদা মিনিট ৩০ হেন্না থবক শুবা অদু ওভরটাইম ওইনা লৌনদে। অদুবু ন্যু লেবর লোগী মতুংইন্না হৌজিক নোংমগী থবক শুবগী মতম অদুদগী মিনিট ১৫ নৎত্রগা ৩০ হেন্না থবক শুরবদি ওভরটাইম থবক শুরে হায়না লৌরগনি। হায়বদি নোংমগী থবক শুবগী মতমদগী মিনিট ১৫ নৎত্রগা ৩০ হেল্লবদি মদুগী তোঙান্না পেমেন্ট তৌগদবনি হায়রি। নীংশিংবা য়াবদি ২০২০গী নবেম্বরদা লেবর মিনিষ্ট্রীগী মায়কৈদগী থোকখিবা দ্রাফ্টস রুল্স অমগী মতুংইন্না থবক শুবগী মতম পুং ১২ ওইবা য়াই হায়খিবসু লৈখ্রবনি। হৌজিক-হৌজিক থবক শুবগী মতম পুং ৯ ওইনা চৎনরি। শিন্মিশিংগী থবক শুবগী মতম অসি তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লবনা মরম ওইদুনা ঙসি ফাওবদা লেবর রুল্সকী মতাংদা তংতাবা অমা খঙদনা লৈরকখিবনা শিন্মিশিংদসু চাওনা চমম্লবা কয়া পোকহন্দুনা লৈরিবনি।

## এন কে সনাজাওবগী ৮৪শুবা মপোক কুমওন...

*লামায় ১গী মখা...* তারকপদদি ট্রষ্টকী ৱারেপ অমগী মতুংইন্না লময়ানবা অসিগী নীংশিং থৌরম অসি মহাক্কী পোকপা নুমীৎতা ওইনা পাঙথোক্তুনা লাকপনি। এন কে সনাজাওবনা ইনভেষ্টিগেটিভ জর্নেলিজমগী লমদা লৌরম্বা থৌদাং অমদি মণিপুরগীদমক য়াইফননবগী থৱায় য়াওনা হোৎনরমখিবা মীশক অমনি। মহাক্না মতম অমগী লময়ানবা জর্নেলদা ইরম্বা অনৌ-অনৌবা ৱাহৈ-ৱাতা অমদি মণিপুর খুন্নাইবু মাঙ থাবা লম্বী অমদা চিংখৎননবা হোৎনরম্বা মীশক অমনি হায়না লৌজরগা ট্রষ্ট থৌরম অসি লেপ্তুনা পাঙথোকচরকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সী এস ওশিংগী লুচিংবশিং, জর্নেলিষ্টশিং অমদি মশক নাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

## মশাগী লোয়নবী ফুরগা হাৎখিবা নুপা ১ কোর্টনা ফাদোক...

*লামায় ১গী মখা...* নম্বরনা ৬ ওফ ২০১৭নি।

হৌজিক ফাওবদা কেস অসিগা মরী লৈননা মণিপুর সেন্ট্রেল, শজিৱাদা থম্লক্লিবা মপুরোইবা থেম্মিথান ফুংচামনাওগী ফাদোক্কী মতম লেপথোক্লবা সেন্টেন্স হিয়রিংনা মথং থাগী ১৩দা পাঙথোক্কনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, কেস অসিগী ৱায়েল চথরকপদা প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদগী এদিসনল পব্লিক প্রোজিক্যুটর য়ুনিসন দুইদাংনা লেপখি। অদুগা কনভিক্সন পীরবা মপুরোইবা অসিগী মায়কৈদনা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা)গী মায়কৈদগী লিগেল এইদ কাউন্সেল এস পি ঙমরৈফি, এদভোকেটনা লেপখিবনি।

## মশা লুল্লবী লৈশাবী হাৎখিবা নুংশিনবা নুপা কোর্টনা...

*লামায় ১গী মখা...* ঙসি পাঙথোকখিবা ওর্দর ওফ সেন্টেন্স অদুদা শিবগী চৈরাক পীখ্রবা ইরোম চাওরেনগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনা কনভিক্ট অসিগী মথক্তা ইস্যু তৌখিবা ৱারেন্ট ওফ এরেষ্টকী নোটিশ অদু রিকোল তৌবীনবা হায়জখি। কোর্টনা সেন্টেন্স হিয়রিংগী প্রোসিদিং লৌখৎলকপদা প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদা লেপখিবা এদিসনল পব্লিক প্রোজিক্যুটর ধনকুমার পিগী মায়কৈদগী নুপী-অঙাংদা চথুবা ক্রাইমশিং অসি নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপগা লোয়ননা থৌদোক অসিদা ফাদোক পীরিবা মীওই অসিনা নান্থোক্লবগী পাম্বে লৈজখিদ্রবী ভিক্টিম লৈশাবী অদুবু হাৎপা খক্তা নত্তনা মহাক্কী পুক্নুংদা য়াওরিবা অঙাং অদুবুসু হাৎতোকখিবনি। মরম অদুনা খ্বাইদগী তাঙনা থোকপা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা থৌদোক অসিদা ফাদোক পীখ্রবা ইরোম চাওরেনবু খ্বাইদগী অহকপা চৈরাক পীবীনবা হায়জখি।

মসিগী ওন্ন-তৈনবদা কনভিক্ট অসিগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল কে ঐচ ধ্যানচান্দনা ইরোম চাওরেন অসি হৌজিক্তি থৌবাল অথোকপমদগী নুপী অমগা লুহোংদুনা পীল্লিবা মচা অনী লৈরে হায়না ফোঙদোকখি। অদুগা মহাকপু কনভিক্সন পীখিবা থা অসিগী ২৮দা লাউথোকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুগী নুমীৎতা কোর্টতা মশা লাকখিদবা মহাক্কী মথক্তা নন-বেলেবল ৱারেন্ট ওফ এরেষ্ট ইস্যু তৌখিবা অদুগী মতুংইন্না ঙসি মহাক কোর্ট অসিদা লাক্তুনা সরেন্দর তৌরবনিনা মহাক্কী মথক্তা ইস্যু তৌখিবা ৱারেন্ট ওফ এরেষ্ট অদু রিকোল তৌবীনবা হায়জখি।

কোর্টনা নাকল অনীগী কাউন্সেলশিংগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা ঙসিগী সেসন্স জজ, থৌবালগী অহানবা অমসুং লেন্দ মার্ক ওইরবা ওর্দর ওফ সেন্টেন্স অসি কোর্ট অসিগী জজ অরিবম নৌতুনেশ্বরিনা মহাক্কী ওপন কোর্টতা লাউথোকখিবনি।

অমরোমদা, হৌজিক্লা কোর্ট অসিগী প্রিসাইদিং ওফিসর (জজ) ওইরিবী এ নৌতুনেশ্বরিনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী স্পেসল জজ (পোক্সো) ওইরিঙৈ মতমদা মশাগী চহী ২১ রোম শুরবা নহা অমবুসু মহাক্না চহী ৪ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমগী ঈকায় খুম্নবা মাঙহল্লগা হাৎতোকখিবগীদমক শিবগী চৈরাক পীখিবনি। শিদ্রিবা ফাওবা থৌরী য়াল্লগা হাৎননবা ওর্দর পীখিবা কনভিক্ট অদুগী মমিং আর দেবিদ (২১), অপোকপা ঙৌনিরাং এলিয়স চরাং কৌই। সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মরাম কভানাম ভিলেজদগীনি। কনভিক্ট অসিনা পীল্লিবী নুপীমচা অদুবু কুমজা ২০১৫গী দিসেম্বর ২৫ (খৃষ্টমাস নুমীৎ)কী নুমীদাংদা ষনগোন অমদা পুশিন্দুনা নমদুনা ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবীরবা মতুংদা হাৎতোকপীখিবনি। মহাকপু শিবগী চৈরাক পীবগী ওর্দর ওফ সেন্টেন্স অদুনা জুলাই ৩১, ২০১৮দা লাউথোকখিবনি।

অনীশুবা ওইনা প্রিসাইদিং ওফিসর অসিনা সেসন্স জজ, সেনাপতি ওইরিঙৈ মতমদা ইম্ফাল ইষ্টকী ইকৌ কৈথেলদগী পুখ্রিহোংবম মেম্মি কৌবী লৈশাবী অমবু হাৎতোক্লবা মতুংদা মশাদা য়াওরকপা সনা-লুপাগী লৈতেং পুম্নমক লৌথোক্লগা বোরাখাওদা হাল্লগা ইরিল তুরেলদা থাদখিবা থৌদোক্তা মরী লৈনবা কেস অমগী ৱায়েলদসু মসিদা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মনুংদগী য়ুমখাইবম রোহিট এলিয়স রাজেশ (২৯), অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি রিয়াজউদ্দিন, ক্ষেরগাও মখা লৈকায়বুসু শিবগী চৈরাক পীখিবনি। মহাকপুসু শিদ্রিবা ফাওবা থৌরী য়ান্দুনা হাৎনবগী সেন্টেন্স ওফ ওর্দর অদুনা মমাঙগী কুমজা ২০১৯গী ফেব্রুৱারী ৫দা প্রিসাইদিং ওফিসর অসিগী ওপন কোর্ট অদুদা লাউথোকখিবনি। লোয়ননা ঙসি লাউথোকখিবা ওর্দর ওফ সেন্টেন্স অসিগী মতুংইন্না ইরোম চাওরেনবু শিবগী চৈরাক পীখিবা অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা মণিপুর জুদিসল সর্ভিস (এম জে এস) গ্রেদ ৱান ওইরিবী জজ অসিনা মশা-মশাগী মরালশিংগী মতুংইন্না মরী লৈনবা লোগী সেক্সনশিংগী মখাদা শিবগী চৈরাক পীখিবা পুন্না মীওই ৩ শুরে।